# রিও ওলেম্পিক্সতা ইন্দিয়াগী ফীভম অমসুং দিপা কর্মাকর

## লৈশাংথেম অজিৎ

***ব্রাজিলগী*** রিও দি জানৈরোদা পাঙথোক্লিবা ৩১ শুবা কালেনগী ওলেম্পিক গেমস অসিদা লৈবাক অসিগী শান্নরোয়না মথং মথং মঙম শানজিল্লক্তবগা লোয়ননা পাক্তক্লনা মায় পাকশিল্লক্তবশিং অসিগী মরক্তা নুপীগী জিম্নাষ্টিক্কী ভোলতিংগী থৌরমদা মরিশুবা তাখিবী চহী ২২ শুরবী ত্রিপুরাগী দিপা কর্মাকরদি ইন্দিয়াগী মীয়াম্না মহাক্কী মতিক মথৌনাবু থাগৎপগী পাউ থারকপা লেপ্লা লৈত্রি। লৈবাক অসিগী প্রাইম মিষ্টির নরেন্দ্র মোদি, নোংচুপ বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জি, ক্রিকেট শান্নরোয় সচিন টেন্দুলকর অমদি ফিল্ম য়াওবা অমিটাব বচ্চন্নচিংবা মীওই কয়ানা মহাকপু ইকায় খুম্ন বা উৎতুনা লেপ্লা লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোক্লরক্লি।

ওলেম্পিক্কী জিম্নাষ্টিক্তা লৈবাক অসিগী ওইনা শরুক য়াবা ঙম্বা অহানবা নুপী অসিনা রাঞ্চিদা পাঙথোকখিবা ৩৪ শুবা নেসনল গেমস অমদি কেরলাদা পাঙথোকখিবা ৩৫ শুবা নেসনল গেমস (২০১৫) তা জিম্নাষ্টিক্সকী থৌরম খুদিংমক্তা হায়বদি ফ্লোর এক্সর্সাইজ, বিম বেলেন্স, অন ইভন বার অমসুং ভোল্টদা মকোক ওইদুনা ওল রাউন্দ চেম্পিয়ন ওইখি অমদি কুমজা ২০১৫ গী ৱর্ল্ড আর্টিষ্টিক জিম্নাষ্টিক্স চেম্পিয়নশিপকী ফাইনেল ষ্টেজ চঙবা ঙম্বা অহানবা ইন্দিয়া মচানি। মদুদা মহাক মঙাশুবা পোজিসন তাখি। কুমজা ২০১৪ গী গ্লাসগোদা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেলথ গেমসদা অহুমশুবা পোজিসন, চহী অদুদা পাঙথোকখিবা ইঞ্চিওন এসিয়ন গেমসদসু ভোল্টতা মরিশুবা তাখি। হৌখিবা চহীদা হিরোসিমাদা জুলাই ৩১ দগী ওগষ্ট ২ ফাওবা পাঙথোকখিবা এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ্তা জপান, চাইনা, কোরিয়ানচিংবা লৈবাক্তগী মশক নাইরবী শান্নরোয়শিংবু মায়থীবা পীদুনা ভোল্টতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

মহাক্না রিওদা শরুক য়াবগী ক্বালিফাই ওইনবা চহী অসিগী এপ্রিল থাদা সহর অদুদা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক জিম্নাষ্টিক্স টেষ্ট ইভেন্টদা লৈবাক ৬০ দগী শান্নরোয় ৩৪৮ গা লম্বা তৌনখি। চাংয়েং অদুদা মায় পাক্তুনা মহাক্না ইন্দিয়াগী অহানবা ওলেম্পিক্কী জিম্নাষ্টিক্সতা শরুক য়াবা ঙম্বী অহানবা নুপী ওইদুনা পুৱারী অমা শেমখি।

নীংশিংবা য়াবদি, ইন্দিয়ানা হৌখিবা চহী ৫২ অসিদা ওলেম্পিক্তা শরুক য়ানবা জিম্নাষ্টিক্সকী শান্নরোয় অমত্তা থাবা ঙমদ্রি। লৈবাক অসিগী নিপা জিম্নাষ্ট তরামাথোইদি ওলেম্পিক্তা শরুক য়ারুরে মদুদি কুমজা ১৯৪৮ গী লন্দন গেমসদা কুশিরাম অমসুং ভির সিংহ, কুমজা ১৯৫২ গী হেলসিনকিদা শামলাল অমসুং অনাথ রামনি। মখোয় করিগুম্বা মফম অমা ফাওবা কনবা ঙমখিদে। কুমজা ১৯৬৪ গী টোকিও ওলেম্পিক্তা শান্নরোয় নিপাননা শাবা টিম অমা থাখি। মদুদা ৫৬ শুবা পোজিসন ফংখি। টিম অসিদা য়াওখিবা অনাথ রাম মমাঙগী হেলসিনকিদসু শরুক য়াখি। মরম অসিনা হৌজিক ফাওবদা দিপা কর্মাকরগা থারগা জিম্নাষ্ট ১২ খক্তমক লৈবাক অসিগী ওইনা ওলেম্পিক্তা শরুক য়াবা ঙম্লি।

ওলেম্পিজমগী মরু ওইবা পান্দমদি মায় পাকপা অদু নত্তে, থৱায় হকচাং য়াওনা পুকচেল শেংনা অঙম্বা থৌনা পাঙ্গল পুথোক্তুনা শান্নবদা শরুক য়াদুনা শমান লেংমান্নবগা লম্বা তৌনবা অদুনি। মরম অদুনা অসিগুম্বা শান্নরোয়শিং অদুবুনা হেন্না তুং কোয়না নীংশিংদুনা লৈহৌনরি। লৈবাক অসিগী ওইনদি দিপা কর্মাকরদা থোক্লিবা থৌদোক অসিমক মিলখা সিংহদা কুমজা ১৯৬০ গী রোম ওলেম্পিক্তা থোকখি। মহাক্কী মথংদা পি টি উষা অমদি মণিপুরী চনু কুঞ্জরানি দেবীদা মথং মথং থোকখি অমসুং মখোয়গী মীংচত্তি হেন্না ফংখি। মখোয় অহুমক মাগী মাগী মশান্নদা মালেমগী মমিং লৈবা শান্নরোয়নি। তৌইগুম্বসুং ওলেম্পিক্তা মরিশুবা পোজিসন ফংখি।

মিলখা সিংহনা রোম ওলেম্পিক্তা মিটর ৪০০ গী লমজেলদা ওলেম্পিক্কী রেকোর্দ থুগাইরবসু মরিশুবা পোজিসন ফংখি। কুমজা ১৯৮৪ গী লোস এঞ্জেলিস গেমসদা মিটর ৪০০ গী হর্দলসতা পি টি উষাবু রোমানিয়াগী খৃষ্টিয়ানা কোজোকায়না সেকেন্দ অমবু চামা থোকপগী অমদা হেনখিদুনা মরিশুবা তাখি। লৈবাক অসিগী শান্নরোয়শিংগী মনুংদা ইন্টরনেসনল মেদল ৫০ দগী হেন্না ফংদুনা ইন্দিয়াগী মালেমগী থাক্তা খ্বাইদগী হেন্না মেদল ফংবী শান্নরোয় ওইরিবা কুঞ্জরানি দেবী এথেন্স ওলেম্পিক্তা মরিশুবা তারকখি।

হৌজিক ইন্দিয়া পূম্বনা প্রোদুনোভা হায়না খঙনবা দিগ্রি ওফ দিফিকলটি ৭.০০ কী পোইন্ট ফংবা ঙম্বা অরুবা ভোল্টকী থৌরম অসি পাঙথোকপা ঙম্বা মালেমগী নুপী মরিগী মনুংদা অমা ওইরিবী দিপা কর্মাকরবু চহী মরি লৈরগা টোকিওদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলেম্পিক্স গেমস অসিদা সনাগী মেদল ফংবা ঙম্নবা হোৎনবিবদা নত্তনা মশান্না অসিবু পামজবশিংদা হেন্না পূক্নিং থৌগৎপীবা মথৌ তারি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী নোংমৈ কাপ্পগী টিম্না হৌখিবা ওলেম্পিক অহুমদা মেদল ফংদুনা লাকখি। কুমজা ২০০৪ এথেন্স গেমসদা রাজবর্ধন সিংহ রাথোরনা দবল ত্রেপ্তা অনীশুবা তাখি। মথংগী গেমস বৈজিংদা কুমজা ২০০৮ দা পাঙথোকখিবদা লৈবাক অসিগী অভিনাব বিন্দ্রনা এয়র রাইফলদা ইন্দিয়া মচাশিংগী মনুংদা ওলেম্পিক্কী ইন্দিভিজুয়েল থৌরমদা সনাগী মেদল ফংবা অহানবা শান্নরোয় ওইখি অমদি হৌখিবা লন্দন গেমসদা ভিজয় কুমারনা লুপাগী অমদি গগন নরঙনা শেঞ্জেংগী মেদল ফংখি। তৌইগুম্বসং রিও গেমসদা লৈবাক অসিগী নুপা নুপী পূন্না মশীং য়াম্লবা নোংমৈ কাপ্পদা খূৎ চুম্বা তান্নবগী টিম অসি মেদল অমত্তা ফংবা ঙমখিদে।

মতৌ অসুম্না মালেমগী টেনিসতা দবল শান্নবগী মমিং চৎলবা সানিয়া মিরজা অমদি রোহন বোপান্নাগী জুরা অসিনা অমেরিকাগী ভেনস ৱিল্লিয়মস অমসুং রাজিভ রামগী জুরাগা ব্রোঞ্জ মেদলগীদমক শান্নবদা মায়থীবা নংখি। ইন্দিয়াগী টিম অসিনা এন্দি মরে অমসুং হিদর ৱাটসনগী লম্বাবু হান্ননা মায়থীবা পীখ্রবনি। মতৌ অসুম্না মপান লমদগী মরু ওইনা রসিয়াদগী লমজেল অশাংবা চেনবা তম্বীনবা ওজা কৌথোক্তুনা শেল হেক য়ারিবমখৈ থাদদুনা হোৎনবা লৈবাক অসিগী লমজেল চেনবা চেনবীশিং মথং মথং লৈহৌখি। মখোয়গী মরক্তা নীংশিংবা য়াবদি, নুপীগী মরাথোন্দা শরুক য়াখিবী লৈবাক অসিগী ও পি জায়শা ৮৯ শুবদা লাকখি অমদি অতোপ্পা লমজেল্লোয় কবিতা রাউট ১২০ শুবা পোজিসন্দা লমথুংফম য়ৌখি। মতৌ অসুম তৌনা লৈবাক অসিগী লৈঙাকশিংনা ওলেম্পিক্সকী মেদল ফংবা ঙম্নবা শেনফম কয়া অমুক থাদদুনা চৎথরিবা থৌরাংশিং অরেম্বদা তাহনবা অসি নুঙাইনদে।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা তোপ ওলেম্পিক্স পোদিয়ম অশম্বীদা 'টোপ' হায়না খঙনবা ওলেম্পিক্সকী মেদল লৌবা ঙম্বা য়াবা শান্নরোয় কয়া অমুক খনগৎলগা য়াম্লবা শেনফম থাদদুনা মপান লমগী ওজা কৌদুনা নৎত্রগা মপান লমদা থাদুনা কোচিং পীবিরিবা অসিদা মায় পাকপা ঙমদ্রবদি অনৌবা খুজিল থৌরাং অমা লৌখৎপা মথৌ তারি। খুদম ওইনা মেদল ফংবা য়ারে হায়না আশা তৌরিবা শান্নরোয় অমনা অমেরিকাদা চৎলগা ওজা অমগী মখাদা কোচিং তৌজরুগে নৎত্রগা লৈবাক অসিদা অফবা ওজা অমা কৌদুনা তাকপী তম্বীহল্লু হায়বদা লৈবাক অসিগী লৈঙাক্না অপাম্বা অদু শিনবিরি। মসিগী মথক্তা কোপরেট হাউসশিংগী অচৌবা স্কিমশিংগী মতেংসু লৌরি।



# হৈ-শিংনা অঙাং লোয়নবা

**— ইনাও ফাইরেম্বম —**

***ঙসিগী*** তাইবঙ ফম্বাকসিদা অঙাং লোয়নবা হায়সি অরায়বা থবক অমদি নত্তে। মসি খ্বাইদগী লুবা থবক অমগুম মালেমসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংনা খন্নরক্লি। অঙাং শেন্নবা, লৌবা, লোয়নবা অমত্তা ওইবা মওংনি। অমরোমদা অঙাং শেন্নবা, লৌবা, লোয়নবা হায়বসি অঙাং অঙাংগী অমদি শেন্নরিবা, লৌরিবা নৎত্রগা লোয়নরিবা মী-মীগী মখা য়াম্না পোল্লি। অফবা মপুক তপ্পা অঙাং শেন্নবা, লৌবা নৎত্রগা লোয়নবদি পূক্নিং তয়াং-তয়াংই, ৱাংই-শাংই অমসুং থম্মোয় মকা লাম্বা, হরাউবা/নুংঙাইবা ফংই। অঙাং অদু শেন্নরিবা, লৌরিবা নৎত্রগা লোয়নরিবা মীগী হৈশিংবা করিসু থোইনা মথৌ তাদে। মদুগা মপুক তপ্তবা, মরৈ-মরা চাউবা, মখূৎ লেংগনবা অঙাং শেন্নবা, লৌবা নৎত্রগা লোয়নবদি শেন্নরিবা, লৌরিবা, লোয়নরিবা মী নৎত্রগা মমা-মপা/অহল-লমনশিংগী হৈশিংবা য়াম্নমক মথৌ তাই। কনাগুম্বা মীওই নৎত্রগা মমা মপা/অহল-লমনশিংনা মপুক তপ্তবা, চরাংনবা, মরৈ-মরা চাউবা, মখূৎ লেংগনবা অঙাংবু হৈশিংনা শেন্নদবা, লৌদবা নৎত্রগা লোয়নদবদগী মখোয়দা পূক্নিং লাংতক্লবা, অশাউবা পনখৈ লান্থোকপা অমসুং থৱায় ৱাবা থোক্তবা নত্তে। লোয়নবা হৈরগনা অঙাং ফৈ; হৈত্রগনা অঙাং ফত্তে অদুম হায়নৈ। অদুগা অমুকসু তুমিন-তুমিন মথন্তা শান্নদুনতা লৈগনবা পংতক-শুতক তৌবা অঙাংবু অফবা অঙাংনি হায়না শিংথানৈ।

অমরোমদা, মখূৎ-মশা লেংগনবা/মরেং-মরেং চৎপা, ঙাইহাক্তা তুমিন্না লৈতবা অঙাংবুনা ফত্তবা অঙাংনি হায়না লৌনৈ। মমা-মপা অমসুং অহল-লমনশিংনা মাবু তাথি-তাওইনা তৌবী; ফু চৈবী অমসুং হুন্দোক-হুন্দোক্তুনা থনম্বা ফাওবা য়াওই। মখোয়না 'থৌবানথোঙ চফুবু কায়নবা য়ৈবরা?' হায়বা অরিবা মীতৈ পাউরৌগী মরুমদা মচাবু ফুবা চৈবা তৌই। অদুবু শিনবা, শোক্লবা ফুবা নত্তে হায়না ফুরবসু নৎত্রগা চৈরবসু অশাউবনা মাঙ থাখ্রবদি অঙাং মাঙনবা মচাক ওইরকই। অখঙ অহৈ সাইকোলোজিষ্টশিংগী ৱাখল্লোনদদি 'থৌবানথোঙ চফুবু কায়নবা য়ৈবরা' (Spare the rod, spoil the child) হায়বা পাউরৌ অসিনা অঙাং মাঙহনবগী মচৎ অমা ফোঙদোকই। অঙাংবু ফু চৈদুনা ৱারকপা, মাবু শিরসনু-মাঙলসনু খনবগী নত্তে অদুবু হেঞ্জিলমল্লবদি অঙাংদু পাখৎ-থুকৎপা হেনমন্দুনা মাঙনবগী মরম অমদি ওই। 'Spare the rod, spoil the child' অসি ঙল্লিবঁগে মতমগী শিক্ষাগী পান্দম ওইরম্লবসু হৌজিক্কী শিক্ষাগী মিৎয়েংদা অসুম্না লাউরি "Spare the child, spoil the rod" তশেংবদি অঙাংশিং অসি পুকচেল শেংই/চমই, ঈশ্বরগী খুদোলনি, পুকচেল মক্তে, অচুম্বা ঙাঙই, শান্নগল্লি, নিংথিজৈ, পূক্নিং শুমহৎয়াই পুই, ফাগী তৌই, পঙই, লম হেল্লি, থোৎ নৌই, লৈখোমগুম্বনি, ঙাক শেনবা তাই অমসুং কায়গল্লি। অঙাং ওইরিবঁগে মতম অসি থোৎ নৌবা তাঙ্ককনি। পুন্সিগী খ্বাইদগী ঙাকপী শেনবীগদবা মতমনি। মশা ৱাই শংবা/কোম্বা, মীগী মখা পোনবা তাঙ্ককনি। পুন্সিগী ফাগী জুগায়তনা থনবা চহী মতাংনি অমসুং পুন্সিগী খ্বাইদগী নুংঙাইথোক্কনবা/হরাউ নুংঙাইথোক্লিংবা পাম্বা তাঙ্কক অমনি। মতাং অসিৱাইদা অঙাং কদায়বু কৌবগে? নৈনদুনা য়েংসি:-

অহানবদা, রাইট টু এদ্যুকেসন এক্ট ২০০৯ গী সেক্সন ২ গী সব সেক্সন সীদা "Child means a male or female child of the age of six to fourteen years" হায়না পল্লি। সধারন ওইনা মীওইবা অমবু পোকপদগী মথোৎ কারকপগী মতম হৌরকপা চহী ১৩ শুরবদি অঙাং অমা ওইরে হায়না লৌনৈ। অদুগা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী চাইল্ড রাইটশিংগী কনভেন্সন্না চহী ১৮ গী মখাদা লৈবা মীওইবু অঙাংনি হায়না তাকই। অদুগা লৈবাক অসিগী জুভেনাইল জষ্টিশ এক্টনদি চহী ১৪ গী মখাদা লৈবা মীওইশিংবু/অঙাংশিংবু ইংরাজিদা 'চিলদ্রেন' নি হায়রি। নাকল অমরোমদা, মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা আইনগী ওইবা অহল ওইরকপা (লিগেল এদল্টহুদ) গী চহী খেন্নবা উই। ইন্দিয়াদনা চহী ১৮, ইরানদনা চহী ১৫, স্কোটলেন্দদনা চহী ১৬, জপান্দনা চহী ২০ অমসুং ইজিপ্তনা চহী ২১ অসিনচিংবা লৈ। অদুবু মণিপুরদনা অঙাং ইংলিসতা 'চাইল্ড' গী মতাংদা মখাদা তেন্তক্লা নৈনজরি-

The English word 'Child' comes from the Teutonic root and from the gothic word for womb. The english word 'baby' is originated from resambling the first sounds made by the infant which sound like 'be-be' or 'ba-ba'. In english the baby is also referred to as 'infant' which has its roots in defining a person who can not speak (in = not, fans = speaking).

In Japanese the newborn baby is called - 'aka-chan' (aka = red and chan = title given to giving children). This is simply because the skin of the baby appears reddish in colour. শিক্ষাগী সাইকোলোজিগী মিৎয়েংদা পোকপদগী হৌরগা চহী ৫ ফাওবা 'ইনফেন্সি' অদুগা চাইল্ড সাইকোলোজিদনা পোকপদগী চহী ২/৩ ফাওবা খঙনরি। চাইল্ডহুদনা শিক্ষাগী সাইকোলোজিদা চহী ৬-১২ ফাওবা, চাইল্ড সাইকোলোজিদনা চহী ৩-১২ ফাওবা পানরি।

কুপ্না য়েংবদা, অঙাং ওইরিবঁগে মতম (চাইল্ডহুদ) অসি মরু ওইনা মখল অনী খায়দোকপা য়াই। মখোয় অদুদি অহানবদা, অঙনবা মতমগী অঙাং ওইরিবঁগে মতম হায়বদি চহী ৫ দগী ৭ ফাওবা শিক্ষাগী সাইকোলোজিদা, চাইল্ড সাইকোলোজিগীনা চহী ৩ দগী ৬ ফাওবা কোল্লি।

অনীশুবদা, অথেংবা অঙাং ওইরিবঁগে মতম; শিক্ষাগীনা চহী ৭-১২ অমসুং চাইল্ড সাইকোলোজিদসু চহী ৭-১২ ফাওবা লৌনৈ। ইনফেন্সি ওইরিবঁগেগী মতিক ময়াইশিং মখাদা নৈনজরি-

১) খূৎলৈ থুনা চাউ-শাংই, পূক্নিং লৌশিং য়াংনা চাওখৎলি।

২) মমা-মপা অমসুং অহল-লমনশিংগী মখা পোনবা মতমনি।

৩) ৱাতোন্না ৱাংবা মতমনি, ইগো ৱাংই, মশাগীতা খল্লি অমসুং খুন্নাইগা তিন্নবা ৱাৎলি।

৪) পোৎ চৈ অনৌ-অনৌবা পুথোক্লিংবা মতাংনি; তোয়না ৱাহং হংনিংবা মতাংসুনি।

৫) পূক্নিংগী ঈহুল লাংতক্লবা।

৬) মশানা মশাবু নুংশিজবা অসিনচিংবনি।

অমুক চাইল্ডহুদকী মতিক ময়াইশিংদি হকচাং চাউখৎপা তপ্লকপা, মীখা পোনবা পামদবা/মনিংতম্না হিংবা পাম্লকপা, হুরান-চিন্থি/তাকু-তরাং তৌবা, ওইদা-ফত্তবা তৌবা, লাকপা-ফোয়বা-মুনবা তৌবা, স্কুল কাবগী মতম, পূক্নিং অরেপ্পা/ফিরেপ অচেৎপা অমসুং খৎন-চৈনবা/ফু চৈনগনবা পনবা য়াই। অতোপ্পা অমরোমদা মালেমগী ফাওরবা মমিং চৎপা অখঙ অহৈ নৎত্রগা সাইকোলোজিষ্টশিংগী ৱাঙুরোল খরা নৈনবা অমদি খন্নবা মথৌ তাই নীংজৈ। মসিনা লেম্ফু ওইদুনা মখাদা অঙাংশিংগী হৌরকঁগে তাঙ্ককশিং অমমমতা য়েংসি।

অহানবদা, স্বিস সাইকোলোজিষ্ট জিন পিয়াগি (১৮৯৬-১৯৮০) গী অঙাংশিংগী Cognitive Development গী তাঙ্কক ৪ নৈনজরি -

১) সেন্সরিমোটোর (পোকপদগী চহী ২ ফাওবা); মরেং-মরেং চৎপা/লেং-ওৎপা খক্তা তৌবা তাঙ্কক

২) প্রি ওপরেসনেল (চহী ২-৬) : পোৎ চৈ শোকপা নৎত্রগা পূক্নিংদা ফাওবা তাঙ্কক

৩) কনক্রেট ওপরেসনেল (চহী ৬-১২) : ৱাখল খনবা মতাং

৪) ফোর্মেল ওপরেসনেল (চহী ১২ অমদি মথক) : থবক শুবা/মেচুওর ওইরবা মতম অসিনচিংবনি।

অনীশুবদা, ইরিক ইরিকসন (১৯০২-১৯৯৪) : মচিন চৎপা সাইকোলোজিষ্ট অসিনসু অঙাংশিংগী সাইকোলোজিকেল দিভলপমেন্টগী মতাংদা তাঙ্কক নিপান পল্লি। তাঙ্ককশিং অদুদি-

১) Trust versus Mistrust (পোকপদগী চহী ১ ফাওবা)

২) Autonomy vs shame and doubt (চহী ১-৩ ফাওবা)

৩) Initiative vs guilt (চহী ৩ দগী ৬ ফাওবা)

৪) Industry vs Inferiority (চহী ৬- মথোৎ কারকপা ফাওবা)

৫) Identity vs Role confusion

৬) Intimacy vs Isolation

৭) Generativity vs Stagnation

৮) Ego Integrity vs Despair অসিনচিংবনি।

অহুমশুবদা, কোহলবার্গগী মোরেল অন্দরষ্টেন্দিংগী মতাংদা ষ্টেজ তরুন নৈনবা য়াই। মখোয়দুদি-

১) Punishment & Obedience Orientation

২) Instrumental purpose Orientation

৩) Good boy - Good girl Orientation

৪) Social order maintaining Orientation

৫) Social-contract Orientation অমসুং

৬) Universal ethical principle Orientation অসিনচিংবনি।

মরিশুবদা, ভাইগোটসকীগী সোসিও-কলচরেল থিওরি নৈনবদা অঙাংশিংগী অনিংবা-অপাম্বা, অপাম-পামদা, তুংগী পুন্সিরোল মশক লেপ্পদা থোইনা হেন্না কান্নগনি। Vygotsky গী থিওরিদা তাঙ্কক ৫ য়াওরি মদুদি -

Children's private speech, Social origins of cognitive Development, Make-believe play, Reciprocal teaching অমসুং Cooperative learning অসিনচিংবনি।

মথক্তগা শমপৎনা নৈনজরিবা মালেমগী মমিং চৎপা সাইকোলোজিষ্টশিংগী ৱাঙুরোল কুপ্না পারগা নৎত্রগা খঙলগা অঙাংশিং হৈ-শিংনা লোয়নবা মতমসিগী মথৌ তারক্লি। অদুনা ঐখোয়না খন্থবা য়াই - 'অঙাংদি নিংথাদা খঙই' (Morning shows the weather of a day) চহী নৌরিবঁগে নৎত্রগা পীক্লিবঁদা অঙাং অমনা তুংলমচৎকী খুদম-চাংদম, শাজৎ-লিচৎ, মওং-মতৌশিং হান্না মাঙজৌননা উৎথোরকই। মসিনা মহাক্কী তুংলমচৎকী পুন্সিগী মমি তাবা মাঙজৌননা ফোঙদোকই। 'ইৱা ফাওবা শিবা ঙাই, ইচা ফওবা চাউবা ঙাই' হায়রিবা অরিবা পাউরৌ অসিনসু অঙাং ফত্তবা হৈ-শিংনা লোয়নবীরবদি নোংমদি মাগী মহয় মমা-মপা নৎত্রগা লোয়নরিবা অহল-লমনশিংনা চাগনি হায়বগী ৱাঙুরোল অমা লৈ।

ৱিল্লিয়ম ৱার্দসৱার্থকী 'The child is the father of man' গা 'অঙাংদি নিংথাদা খঙই' হায়বগা ৱাহন্থোক চপ মান্ননা পুই। অদুগা Pampering spoils the child হায়বা ৱাফম অসিনা তাক্লি মদুদি কেথোক-মৌথোকহনবনা অঙাং মাঙহল্লি। কনাগুম্বা মমা-মপা ওইবশিংনা অঙাংগী মথৌ তাবা পোৎ অদুদগী হেঞ্জিন্না পীশিন্দুনা অঙাং অদুগী মাইন্দসেটতা নৱাংবা ৱাখল পোকহন্দুনা মাঙহন্নবা লম্বী ওইরকই। অঙাংদি লাইনি হায়নবা লৈ। অঙাংগী ৱাখলদা অফ-ফত্ত লৌথুপ-লৌকোয়গী লৌশিং মমি তাদ্রিবনা মানা খঙজ-উজহৌবা, থেংনজবদু চুমদ্রিং হায়জৈ। হৈশিংনা অঙাং লোয়নবা হায়বসিদা মমা-মপা নৎত্রগা লোয়নগদৌরিবা মীওইশিং অসিসু গুন খরা লৈতেংবা চঙই। মখোয়শিং অদুদি -

অহানবদা, অঙাংশিংদা মোমোন মীনোক উৎপা ঙম্বা, অনীশুবদা শাউগন্দবা/পূক্নিং ফাথবা/লাকশিনবা ঙম্বা, অহুমশুবদা থৌজাল হৈবা উৎপা ঙম্বা, মরিশুবদা অঙাংশিংগা লোয়নবদা মতম মাঙথোকপা/লেনথোকপা ঙম্বা, মঙাশুবদা অঙাংশিংগী অপাম-পামদা খঙবা নৎত্রগা ইহুল খঙবা, তরুকশুবদা অঙাংশিংগী তৌবা ঙম্বা লৌশিং খঙদোকপা, তরেৎশুবদা অঙাং মমাঙদা ফত্তবা থবক তৌদবা/উহন্দবা/ঙাঙদবা, নিপানশুবদা Parenting হৈবা (Democratic Parenting খঙবা) /মহৈ মশীন তম্বদা পূক্নিং থৌগৎপা, অরোইবদা অঙাংশিংদা প্লে-ৱে মেথোদ খঙ-হৈবা অসিনচিংবা পনবা য়াই।



হৌজিক্কানগী সাইকোলোজিকেল পোইন্ট ওফ ভিয়ুগী ৱাখল পরিংদা Child centred activity based approach মিৎয়েং থমদুনা অঙাংশিংবু হৈশিংনা লোয়নরবতদা মতিক চাবা ফুরুপকী য়ূম্বীরেল লিংবদা থোইনা করিসু ৱারোই নীংই। অঙাং অমগী পুন্সি তাঙ্ককশিং লমচৎ-শাজৎশিং, মচৎশিং, শকওং-শাদা, পূক্নিংগী ইহুলশিং কুপ্না নৈনবা, কাঙলোন খঙবা, ৱাঙুরোল খঙবা হৈশিংনা অঙাং লোয়ননবগী অচুম্বা খোঙথাংশিংনি হায়বদা হায়মনবা থোক্তে। অদুগা 'কৈনা তোকপা পোকপরা' (Like father like son) মপা-মপাদুগী য়াওরকপা হৈনবী লীচৎ-শাজৎ, শকলোন মচা-মশুদা য়াওই হায়বসিসু অঙাং লোয়নরিবা মীওইশিংনসু খঙবা মথৌ তাই হায়জনীংই।

স্বিটজরলেন্দ মচা ৱাঙুরোল খঙবা জিন জেক্যুস রুসোনা "Children is the sleep of reason" হায়। মসিগী ৱাহন্থোক্তি, অঙাং হায়বসি করিসু খঙবা নৎত্রি। তুংদা ওইরক্কদবা মতিক মথৌনা তূম্বগা পাঙ্খকনি হায়বনি। অমরোমদা, খূৎথিবা নংলবা অঙাং অমনা অকিবা খঙই। পায়নু-পায়নু য়াদবা অঙাংনা মৈ পায়বদগী মখূৎ পোকই। পীশুম, শম চাক্লকান্দা অকিবা খঙলকই। অদুনদি অঙাং অমা করিগুম্বা অমদা খূৎথিহনবসু অহোয়নদুম অঙাংগী মচৎ হোংহনবা ঙম্বদা চাওনা মতেং ওই। ৱাখল নাম্মা অমদা, আমেরিকাগী ৩৫ শুবা প্রসিদেন্ট জোহন এফ কেন্নেদিনা অসুম্না হায় "A child miseducated is a child lost' মহৈ-মশীন অসি অঙাং ওইরিবঁদা নিংথিনা পীদ্রবা/মখোঙ শোমহৌদ্রবা অদুগুম্বা অঙাং মাঙলবা অঙাং অমনি। অঙাং হায়বসি ফুরুপ অমগী তুংগী য়ূম্বীরেলনি। মখোয়বু মহৈ-মশীন তমহনবীবা অমদি ঙাকপী শেনবীবা হায়বসি অসুক্কী মতিক মরু ওই।

পূন্না য়েংবদা, হৈশিংনা অঙাং লোয়নবা হায়বসিদা অমেরিকাগী ফিলোসোফর, সাইকোলোজিষ্ট জোহন দিৱেয় (১৮১৯-১৯৫২), স্বিটজরলেন্দগী ফারওরবা সাইকোলোজিষ্ট জিন জেক্যুইস রুসো, ইটালিগী ডাক্তর, সাইকোলোজিষ্ট মেদাম মারিয়া মোন্টেশোরি, মহাত্ম গান্ধীজী, রবিন্দ্রনাথ টেগোর, স্বিস সাইকোলোজিষ্ট জিন পিয়াগি, ফাওরবা সাইকোলোজিষ্ট ইরিক ইরিকসন, ভাইগোটসকী, কোহলবার্গ অসিনচিংবা শক্লাইরবা সাইকোলোজিষ্টশিং, এদুকেসনিষ্টশিংগী অৱাংবা ফিদমশিং/ৱাখল্লোনশিং কূপ্না নৈনরবা লায়না অমদি মায়পাক্লা অঙাং লোয়নবা ঙমগনি, মতিং লৈনা চঙশিনবা ঙমগনি।